# মৈতৈ/মীতৈগী অপূনবা ফম্বাক অমা শেল্লসি

## অদুগা ঐখোয়গী মাঙদা তাদুনা লৈরিবা অশোয়বা মচাকশিং খন্নদুনা চুমথোক্লবা হোৎনরসি

মোইরাংথেম নরান

**মালেমদা** লৈরিবা শা-ঙা-উচেকশিংনা অপীক-অপীকপা নৎত্রগা অশোনবশিংবু চাবা নৎত্রগা ওৎ নৈদুনা হাৎতোকপা ঐখোয় পূন্নমক্লা উরি। অদুগা অমুক মদুগী ওন্ন-তৈনবদা অপীকপা তুমিৎ-কাংনচিংবা থৱায় পানবশিংনা অচৌবা শামু, নোংশা, কৈনচিংবা শাশিংদা নত্তনা মীওইবা ফাওবা চাগে তৌবদা পীকমনবনা ঙমদদুনা ঈ চূপ্তুনা মখোয়গী মথ্বায় হিংলি। শাহিং চাবশিংনা চাদবশিংবু মখোয়গী মচিঞ্জাক ওইরবসু শামু, ইরোইনচিংবা শাশিংনা লিংজেল মান্ননা পূন্না লৈবা মতমদা শাহিং চাবশিংদুনা তাপ হেক লাক্তুনা চাবা ঙমদে। অদুনা অতোনবা অমসুং অপঙবা, কাওন য়েন নৎত্রগা তুনবা খুনুশিংনা মখোয়বু থাল্লিবা মপূগী মমাঙদা অরৈবা পাঙ্গল অমসুং থৌনা পুথোক্তুনা লম্বা পানবা, শাহিং-নাইহিং শাদুনা মপূগী মমাঙদা মনা লৌনবা হোৎনবা, অদুগা মরাইবক থীরবদি মথ্বায় ফাওবা থাবা ঐখোয়না উনরি।

অসুম্না থৱায় পানবা অমনা অমবু মায়থীবা পীবা নৎত্রগা ওৎপ-নৈবা, হাৎপা ফাওবা য়াওনরি। অসুম্না মীওইবা ফুরুপকী মরক্তসু মদুম্না য়াওদবা নত্তে। মদুনা অমা ওইখ্রগা অশিংবনা অপঙববু লৌনম তৌরগা মখোয়গী হিংনবা মচিঞ্জাক ওইনবা কয়া অমা, অসুম্না অমবু অমনা নৎত্রবসু ফুরুপ অমনা অমবু অশোনবা নৎত্রগা অশোয়বা তাঞ্জা য়েংলগা নমথবা নৎত্রগা তুহৎপা অসিসু ঐখোয় মীওইবগী মরক্তা হৌজিক কন্না চৎনরিবনি হায়বা য়াই। মীওইবা ফুরুপ অসিদা অশোয়বা নৎত্রগা অশোনবা লৈবা অসিগা মীওইবগী হকচাংগা চাংদম্নবা অমসুং হকচাং অমা শাগৎপদা য়াওরিবা মচাকশিং (চাউরাক্লা) অসি খন্নবা তারবদি - কার্বোনহায়দ্রেট, ফেট, আইরন, জিঙ্ক অমদি ভিটামিনশিং অসিনি। মদু অমা হেক ৱাৎলকপদা হকচাং অদু পাঙ্গল শোন্থরক্তুনা অনাবগী মকোল ওইরকপা শোয়দ্রবনি। অসুম্না ফুরুপ অমবু মশা ফনা (পাঙ্গল কন্না) থম্বা তারবদি মথক্কী মচাকশিং অসুম্না ফুরুপ অদুগীসু হিংবা ঙম্নবা মচাকশিং লৈফম থোকই। চাউরাক্লা মচাকশিং অদু হায়বা তারবদি ১) ফুরুপ্পু নুংশিজবা ২) ফুরুপকীদমক কত্থোকপা ৩) থৌনা ফবা (পাঙ্গল কনবা) ৪) অচুম্বা পাম্বা ৫) থকসি-খাসি লৈবা (মথক থোংববু ইকায়খুম্নবা, মথক থোংবনসু মখা তাবশিংবু হন্থনা য়েংবীদবা) ৬) পূনশিনবগী ৱাখল চেনবা অসিনচিংবা মচাক খরসি চঙই। মচাকশিং অসি ৱাৎলক্লবা মতমদা হকচাং শাগৎপদা মচল শুদবনা হকচাংদা অনাবা নৎত্রগা অশোয়বা লৈরকপনি হায়না লৌবা য়াই। মালেমগী ওইনসু ইন্টরনেসনল পোলিটিকেল এল্লাইএন্স শেম্নবগুম ফুরুপ কয়ামুকসু পূনশিল্লগা ইন্দিজিনস পোলিটিকেল এল্লাইএন্স কয়ামুক শেম্নরকপসু য়াওদবা নত্তে। খুদম মচা অমতং পল্লবদা, নাগা-কুকি হায়বসি ইন্দিজিনস কয়ামুক পূনশিল্লগা শেম্বা মখল অমনি। মসিনা ফুরুপকী থৌদোক (ইস্যু) অমা থোকপা মতমদা মীচং খোম্নবগী মওংনি। অদুবু হৌজিক মৈতৈ/মীতৈ ফুরুপতি হিংলি হায়না অদুম পংহিং হিংলি, ঐখোয়গী হিংনবগী ৱাৎলিবা মচাশিং অসি করি করিনো হায়বা অদুদি মিনিট অমা ফাওবা খন্থদনা পেন্থোক্তুনা/নুংঙাইথোক্তুনা লৈরিবা অসিগী মনুংদা তীল চঙদুনা নারিবা অসিদি লায়েংনবগী মরমদদি খন্থনদ্রি। মণিপুরদা লৈরিবা ইন্দিজিনসশিং অসি পৌনা পারবদা ৩৫নি। মসি তঙ্খাই খায়দোক্তুনা অনী থোক্লগা নাগা অমসুং কুকি হায়না খায়দোক্লি। অদুগা ঐখোয়গী ফুরুপ মৈতৈ/মীতৈ অসিদি পূনশিনবগী মহুত্তা মফোন থোকপা থৌরিগুম শেত্তোক খায়দোক্লদুনা, মৈতৈ/মীতৈ, নিংথৌমচা, বামোন হায়না মোনোপোলি তৌনদুনা, পূনশিন্নবগী মহুত্তা খায়দোক্লবতা হোৎনদুনা লৈরি হায়বদা লানগদ্রা?

**মৈতৈ অমসুং মীতৈ অতৈ খেন্নবশিংগী মরম অমা/অনীদং :** মৈতৈ অমসুং মীতৈ কৌনখিবগী ৱারী অসি মাইচৌশিংগী ৱাখল্লোন মতুং ইন্না খেন্নবনি হায়বা য়াই। মদুদি সলাইরেন শিদবনা পারি অহল সনামহীদা থৱায় পানবা (অচৎপা-চত্তবা) কয়ামুক শেমহনখি, মতুংদা নমু তাইবঙগী শেল্লো হায়রবদা মৈতৈ ঙমুনচিংবা মখল কয়ামুক শেমখি। অদুবু নমু তাইবঙমীদি শেম্বা ঙমলক্তবদা শিদবদা হংজরবদা শিদবনা, পম্বৌগী ঈশিংদা তারিবা মৈ অদু য়েংলগা নমু তাইবঙমী শেম্মু হায়রক্লবদা শিদবগী মিনা ঈশিংদা তারিবা অদু য়েংলগা শেমখি হায়বদগী মি অমসুং মিতৈ (মীতৈ) কৌগদবনি হায়বা অমা, অতোপ্পা অমনা মমি অমা লৈরবদি মৈ (নৎত্রগা নুমিৎকী মঙাল) অমা লৈগনি। মরম অদুনা মৈতৈ কৌফম থোকই হায়না, অতোপ্পা অমনা চীংমীশিংগা মৈতৈগা য়াম্না নক্লবা মরী লৈনৈ হায়নবা লৈ। অদুনা মরম ওইরগা চীংদা লৈরিবা চীংমীশিংগী মনুংদা মৈ তাবা য়াম্না লৈরি। খুদম অমা/অনীদং পল্লবদা লিয়ামৈ, রোংমৈনচিংবা কয়া লৈরি। মসি মখোয়গা য়াম্না নক্লবা মরী লৈনবনা মখোয়গা হৌরকফম তিন্নদনা মৈতৈ কৌখিব্রা হায়বা ৱাহং অমসু লৈরি।

(এন বি) : মরম অসিনা অমবু ওইরবসু অমবু ওইরবসু মাইচৌ অমসুং অখঙ অহৈশিংনা নৈনবিয়ু, অইবগীদি হীরম অসিদা মদুগী নোলেজ লৈজদে। হীরম অসিদা কোক থাদবিবগী মহুত্তা অসুম্না পুখৎচরিবা হীরম অসিদা খন্নবিবনা হেন্না মথৌ তাই খঞ্জে।

নিংথেম মচা নৎত্রগা বামোনগী মরমদসু অদু মঙাই। মীওইবগী ৱাখল্লোন্দা খরা খেন্নবা হায়বসিদি মীওইবগী হৌনশানি। কোমলা অমগী মশুং কয়ামুক খায়দোক্লবসু মকু (coat) অদুনা য়োমশিন্দুনা নৎত্রগা য়ূম অমত্তদা কা কয়ামুক খায়দোকপগুম কোমলা মশুং অমনা কোমলা মপূম অমদৌনা ওইবদি য়ারোইদবনা মতাংসিদা নৈনজগদবদি কোমলা মশুং ময়ামদু মকুনা য়োমশিল্লগা কোমলা মপূম অমা ওইনা ওইরিবা অসুম্না ফুরুপ অমদা সেক্সন কয়ামুক খায়দোল্লগা ফুরুপ অমা শাগদৌবনি হায়না উবা অদুম্না খেন্নবা কয়ামরুম অদু থাদোল্লগা মৈতৈ/মীতৈগী শোকচিল্লিল্লিবা ফীভম অসি কোক্লবা অফবা ডাক্তরশিং তান্নরগা অফবা হীদাক খল্লগা থাদুনা ফহনবা অদুম হায়না ফুরুপ অসিগী শোকচিল্লিবা ফীভমগী মতাংদা খন্নগদবনি।

অসিগুম্বা লৈবাক্কী অচৌবা ইস্যু অসি খন্নবদা রিলিজিয়স নৎত্রগা পোলিটিকেলগীদি মনুং চন্দে। মতাংসিদদি ফুরুপ (ইন্দিজিনস) তগী খন্নবা মথৌ তাবনা। মৈতৈ নৎত্রগা মীতৈ অমনা হিন্দু নৎত্রগা সনামহী নৎত্রগা খৃষ্টান, বৌধ ধর্ম্ম চৎপগা মরী লৈনদে। মসিদি সেক্যুলর ওইবনি। অদুম ওইনমক ধর্ম্ম খুদিংমক চৎপা য়ারবসু ফুরুপতি হোংবা য়াদে। মৈতৈ নৎত্রগা মীতৈ, বামোন, নিংথেম মচা হায়বসি কলচরদদি অমত্তনি, মান্নৈ। মণিপুরদা ত্রাইব ৩৬ রোম শুরবসু তঙ্খায় খায়দোল্লগা নাগা অমসুং কুকি হায়না অনীতমক খায়দোল্লি। অদুগা ত্রাইবেলশিংগী ৱাফম অমা লাকপদনা নাগা কুকিসু অমত্তা ওইনা পূনশিনখিগনি। নাগা-কুকি হায়না শেমজরবসু তোঙান তোঙানবা ত্রাইবশিংদুগী লোন নৎত্রগা নাট (কলচর) তি পূনশিনবদি তৌনদে। মসিদি ত্রাইবেলশিংগী পোলিটিকেল্লি এল্লাইএন্স মখল অমনি হায়বা য়াই। হীরম অসোমদা য়েংবা তারবদি মৈতৈ ফুরুসু 'মৈ-ী' গী খেন্নবদা খন্নদুনা লৈগদবা মতম নত্তে হায়জনীংই। হৌজিক মণিপুরদা নৎত্রগা ইন্দিয়াগী মনুংদা শিৎলক্লিবা কল্লবা শাফু অসি নিংথিনা ঙাক শেলহৌদ্রবদি হুমদোকখিদুনা চাইনা চাইনা নরক্তা তাখিদুনা মাঙখিবসু য়াই। অসিগুম্বা অরুবা থৌদোক (ইস্যু) অসি লায়না খনফমসু থোক্তে। ত্রাইবেল ইচিন ইনাওশিং মাগী মাগী ফুরুপ চাওখৎনবা এপেক্স বোদি লীংনখিবগুম মৈতৈ/মীতৈসু মশাগী ফুরুপকী অৱাৎপা নৎত্রগা অশোয়বা কয়ামুক লৈরিবসি মেনখৎনবা হোৎনবা লোয়ননা অতৈ ফুরুপশিংগা অফবা মরী থম্নবা নত্তনা লৈবাক অসিদা অকায়বা লাক্কদৌবা কয়ামরুমসু তাইশিন্নবা থৌদাং লৌমিন্নবা চঙই, লৌসু লৌমিন্নরক্লি।

ইমুং অমা ঈংনা লৈগে হায়বা তারবদি ইমুংদুগী মমা-মপা ফবা তাই। মমা-মপা ফরবসু মচাশিং ফৎত্রবদি অফবা ইমুং ওইবা য়ারোই। অদুনদি ইমুংদুগী মী খুদিংমক অফবা ওইরবা মতমদতা অফবা ইমুং ওইগদৌরিবনি। অসুম্না লৈবাক অমা ঈংনা পানগে হায়রবসু লৈবাক অদুগী নিংথৌ অমসুং লৈমা অফবা ওইবগা লোয়ননা মচা ইবুংঙোশিংসু অফবা অমা ওইবা তাই। ইমুং অমদা ইশৌ লাংবা, খৎন-চৈনবা থোক্লবা মতমদা ইমুং অদু ফনা ইনাক খুনবা, ফনা নুংঙাইবা ওইরবসু ৱাখল চমম্নবা অমদি পূক্লিং শান্তি লৈতবা ইমুং ওইগনি। মদুনা মরম ওইরগা ইমুং অদু লৈখা তানা মাঙখিবসু য়াই। অদুগা অমুক লৈবাক্কী ৱাফমদা খন্নবা তারবসু মণিপুর নৎত্রগা কংলৈপাক্কী মহারাজ পামহৈবগী মতম ফাওবদা লৈবাক অসি স্কার কি: মি: লাক্ষ অনীরোম চাউরম্মী হায়রি। মহারাজ বুধচন্দ্রনা, মণিপুরনা নীংতমদুনা ভোট তৌদুনা লেজিসলেটিভ এসেমব্লি লীংলবা মতম (১৮/১০/১৯৪৮) গী এসেমব্লিদা অসুম্না লাউথোকখি মদুদি - Read her political history from 24 A.D. She had her dominions over a wide area extending as far the southern portion of China in the North, the gold mines in the Sibasagar valley the river Chindwin in the east and south and Chandrapore (Cachar) in west (Sanajaoba). অসুক চাউখ্রবা লৈবাক অসি নিংথৌকোন্দা লৈরিবা লৈবাক্কী মপী-মপা ওইরিবা নিংথৌনা লৈবাক্কী ওইবা ইস্যুদা পূক্লিং চঙখিদদুনা অমদি মদুগী মহুত্তা মশাগী নুংঙাইনবা অমদি মীওইবগী মথক্তা লাই লৈরি হায়বসি কাউথোকখিদুনা অমদি লাইগী লৈবাক অসিদা পামহৈবা মহারাজনা ঙম্মী হায়দুনা মৱা হাৎলগা নুপী মুন্দুনা লৌবা অমদি লাইগী মীত্তম থুগাইখিবা, অতৈ লাইগীদি লাইরদনা অথোইবা লাই ওইরিবা সনামহীগী মীত্তম থুগাই-খোকাইবনচিংবা তৌরুবদগী লৈবাক অসি অৱাবা নংবতা নত্তনা তোইবমখৈ কায়খিবনি হায়নৈ। মদুনা মরম ওইরগা চহী তরেৎ খুন্তাকপা থোক্তুনা, মীওই কয়া য়াইরিনা লেংদুনা বর্ম্মাদা পুখিবা, অঙাং কয়া হাৎখিবা, থৱায় মাঙনীংদবদগী কয়া অমনা অসাম, ত্রিপুরা, বংলাদেশতা চেন্নখিবা, ম্যান্মার অমসুং নোংচুপলোমদা চেন্নখিবশিং, মখোয় লানফা অমা নৎত্রগা লাঞ্জেনবা অমা ওইখিবগী পুৱারী অদু নীংশিংলুবদা ইকায়বদগী ম্যান্মারদা অদুগা নোংচুপলোমদা ময়াংনচিংবা ওনখিবা য়াওদবা নত্তে। মশাগী লোল মৈতৈলোল ফাওবা চোপ্পে হায়না ঙাঙনখিদবদগী হৌজিক্তি মৈতৈলোল অয়াম্বা খঙনখিদরে হায়রি।

হৌজিক মণিপুর ইন্দিয়াদা পুল্লে, ঐখোয় হৌজিক প্যুওর ইন্দিয়া ওইরে। অদুবু ইন্দিয়াদা পুল্লে হরাউরে-নুংঙাইরে অদুম্নদি ওইরগা মৈতৈ/মীতৈ অমসুং চীংমী ইচিন ইনাওশিং য়াওনা পাম্বোমগী পাঙ্গলনা মণিপুর নৎত্রগা মৈত্রবাক অসিদা লৈরিবা মৈতৈ/মীতৈগী অখন্নবা পেকেজ খরা পায়খৎপীদবা অসি য়াম্না লাইবক থীবা অমদি ফুরুপ অমবু অতম্ননা নমথবনি হায়বদা করি কায়রিবগে? হৌজিক ত্রাইবেল ইচিন ইনাওশিংগীসু তোঙান্না ইন্দিয়া লৈঙাক্লা দিভলপমেন্ট স্কিম কয়াগী ফন্দ থাদরকপগী মথক্তা খৃষ্টান লাইনীংগীদমক্তা অমেরিকা নৎত্রগা অতৈ লৈবাক্তগী শেল থাদরকই হায়নৈ, অদুগা মুসলিম ইচিন ইনাওশিংগী মাইনোরিটি ফন্দ থাদরক্তুনা চাওখৎনবা অমসুং মহৈ তম্বগী খুদোংচাবা কয়া পীরি। তৌবগীদি মৈতৈ ফুরুপসু এম সী এস, আই পি এস ফংববুদি য়াওই হায়ববু মশাগী মেরিট লৈবা অমসুং য়াম্না ফবা খরখক্কী ৱানি।

মরম অসিনা হৌজিক ফুরুপ অসি ইন্দিয়াগী মনুংদা অমদি মণিপুরগী মনুংদা য়াম্না শোত্থবা নৎত্রগা তোন্থবা অমা ওইরে হায়বসি হায়মনবা থোক্লোই। মৈতৈনা হিন্দু নৎত্রগা গৌর ধর্ম্ম চৎপা ওইরবসু মপানলোমগী হিন্দু চৎপশিংগা খেন্নবা য়াম্না লৈ, মণিপুরদা চৎলিবা হিন্দু ধর্ম্ম অসি মণিপুরগী মহৌশাগী চৎনবীগা মিক্স তৌবা মখলনি। অদুনা ধর্ম্মগী মীৎয়েংদগী চাওখৎনবা অমসুং মতেং পীবনচিংবা অমত্তা তৌদে। অদুদগী হেন্দোক্তুনা সনামহীজম চৎপা কাঙবু ফাওবা ইন্দিয়া লৈঙাক্লা মশক খঙবীদ্রি অমদি মাইনোরিটি ফংলিবা অসুম্না খুদোংচাবা অমত্তা ফংহন্দ্রি। মৈতৈলোলবু নিপানশুবা সেদ্যুলদা চল্লবসু ঙসি ফাওবা করেন্সি নোট নৎত্রগা কোইন্দা ময়েক হাপ্পীদ্রি। মসিদা নত্তনা দিষ্ট্রিক্ট অহুমগী শরুক আউটর মণিপুর চলহন্দনা ইন্দিয়াদা হেক পূনবদগী ফুরুপ অসি নমথবা হৌখ্রে, ভোটতি পীবা য়ারগা দিভলপমেন্টকী থবক্তি পায়খৎপা য়াদে। অসিগুম্বা লো অসি মালেমগী মফম অমত্তদা লৈ হায়বা তাদ্রে। মসিতসু নত্তনা ফুরুপ অসিনা তাবা লৈহাও লৈবা, ঈশিং থুমদবা মফমদনা এরোদ্রোম নৎত্রগা সিক্যুরিটি লৈনবা, লৈঙাক্লা দিভলপমেন্ট প্রোগ্রাম তৌনবা লম ময়াম অমা লৌশিনখ্রে, লৌশিল্লক্লবা তৌরি। তম্পাক্কী খা থংবা অকুৎপা মফমসিদা লোক্তাক প্রোজেক্ট তৌদুনা ইথাই দাম লিংদুনা শাথিনা অকায়বা পীরি। য়াম্না শাথিবা অমা হায়বা/পনবা তারবদি ইন্দিয়া লৈঙাক্কী চাওখৎ থৌরাংগী পেকেজদি ফংদবনা হিংনবা শেন্থোক ৱাৎলে। মসিনা মরম ওইরগা শেল দমা দমাদা পীথরকপা, মপানগী শক্তি কয়া য়াওনা লায়রবা ফুরুপ অসিগী লম কয়া লৈশিনখ্রে। কয়া অমা লৈশিন্নবা থৌরাং তৌরি হায়রি। তম্পাক্কী লমশিং অসি লৈবা থিংনবা লো অমা ফাওবা লৈঙাক্লা শেম্বীদ্রি, মসিনা তাকপদি ফুরুপ অসি রিফ্যুজি ওইহনগদৌরিব্রা।

চিনানা নৎত্রগা বর্ম্মানা লৌশিন্দুনা মাঙখিগদবদগী কন্দুনা অমদি ঙাকশেন্দুনা চহী লিশীং অনীরোম অসি লৈরক্লি। অসুম্না হকচাংগী ঈখেংগা মনতিক্লরগা লৈবাক নিংথৌ পান্দুনা ঙাক শেন্দুনা লাক্লগা ইন্দিয়াদা হেক পূনবগা রিৱার্দ পীবগী মহুত্তা মৈতৈ/মীতৈ ফুরুপ্পু অখন্নবা স্কিম অমা শেমদুনা নিংথিনা হিংনবা হোৎনবগী মহুত্তা হন্থবা ফীভম অমদা থম্বীরক্লি। ত্রাইবেল অমদি মাইনোরিটিশিংগীদি ফুরুপ চাওখৎনবা তোঙান্না ফন্দ কয়ামুক থাদদুনা চাওখৎনবা হোৎনরি। ফুরুপ অসিগীদি করম্বা থৌরাং পায়খৎলি হায়বসি হংনীংঙাই মচাক ওইরি হায়রি। অতোপ্পা ৱাফম অমনা মণিপুরগী নিংথৌ বোধচন্দ্র মহারাজগা সেপ্তেম্বরগী তাং ২১দা (১৯৪৯) মণিপুর ইন্দিয়াদা পূন্নবা মর্জর এগ্রীমেন্ট অমা ইনখি হায়রি। মদুদা নিপানশুবদা য়াওরিবা মণিপুরীশিংবু এম সী এস, আই পি এসনচিংবা অমদি অতৈ থবক চঙবশিংদা হেন্না খুদোংচাবা পীগনি হায়খি হায়বা দোক্যুমেন্টশিং লৈরি। অদুবু চহী ৬৮শুরবা ফাওবা পাঙথোকপীদে হায়রি।

(এন বি -মসিগীদমক্তা মরৈবাক্কী খনবীবা ডা. সুরেসনা চহী কয়া অমদি শেল কয়া তিংদুনা হোৎনবিবা, সুপ্রিম কোর্ট ফাওবা য়ৌনদুনা চে থাঙ্গৎলবসু ফৈদু তাদুনা মথোং মরম অমত্তা খঙদনা নমশিনখ্রে হায়রি।)

অতোপ্পা অমনা, মণিপুর পূম্বা কন্নবা আই এল পি এস নৎত্রগা লো অমা চৎনরম্বসু লৌথোকপীখ্রে। অমুক অনৌবা অমা (মীয়াম্না য়াবা) চৎনবা হোৎনবসু তৌদ্রি, মসিনা তাকপদি তম্পাক্কী পীকখ্রবা শরুক খরা অসি ইন্দিয়াগী মীয়ামদা নত্তনা শেল য়াম্না পাম্বা লোইশঙগী থবক তৌবশিংগা মান্নরগা ম্যান্মারদগী, বংলাদেশতগী, নেপালদগী লাকপা মীওইশিংদা দোমিসাইল, অধার, ইলেক্তোরেল কার্দ পীশিল্লিবা অসি তম্পাক্তা তারিবা ফুরুপশিং অসিদা অশোকপদা থুম থোম্বগুম থোকহনগদৌরিব্রা? অদুনা ত্রিপুরাদা ত্রিপুরীশিং তুম্না মাঙখিবা অদুগুম্না থোকহনগদৌরিব্রা হায়না চিংনদবা ঙমদ্রে।

মরম অসিনা ঐখোয়না তত্তনা ঙাঙনরি-খন্নরি ত্রিপুরাদা ত্রিপুরি মুৎখিবা, কছারদা কছারি, সিক্কিমদা সিকিমি মুৎখিবগুম মুৎলগনি, মৈতৈদি শিগদৌবা কুইদ্রবনি খ্বাং য়ৌরে, ঙকশম য়ৌরে হায়দনা উচি ৱারেপ্পদি কান্নররোই। হৌদোংগী ঙকশমদা অমদি উচিদা শরিক শিবনদি ওইথোক্লোই, তোকপা নৎত্রগা কৈশান্না শিহনবা তাই।

অরোইবদা করিসু খঙজদ্রবা অইবনা ইরৈবাক্কী অমদি ফুরুপকী হেন্না শোকচিল্লবা ফীভমসি খরা পেঞ্জদদুনা অহেনবা ৱাহৈ নৎত্রগা অৱাৎপা য়াওখ্রবসু খ্বাইনা ঙাকপীগনি। লোয়ননা লৈবাক্কী খঙ হৈরবা একাদেমিসিয়ান নৎত্রগা এদুকেসনিষ্টশিং, লোৱর, পোলিটিসিয়ন, মাইচৌ, মাইনৌ, এন জি ও অমসুং মহৈরোয়শিংগী লূপশিংনা কোক চুংশিন্নবিদুনা মৈতৈ/মীতৈগী ওইবা প্লেটফোর্ম অমা অথুবা মতমদা নৎত্রগা থা ৩/৪গী মনুংদা শেমদুনা মণিপুর মনুংদদা নত্তনা অসাম, ত্রিপুরা, বংলাদেশ অমদি মালেমগী মফম খুদিংদা চোইজাইননা তাখ্রিবা মৈতৈ/মীতৈ ফুরুপ অসি কন্নবা লোল, ময়েক্কা লোয়ননা অমুক শেমগৎনবা কোক চুংশিন্নবিরো। তোল্লবা অইবনা কলম অসি ৱাহৈ অমা/অনীদং ফোঙদোকচবা অসি থৌ লৈতবগী চোইরোলনি খনবীগনু, পাউজেলনি খনবীগনি থাজে।

# ইন্দিয়াগী 'রোকেট মিসাইল' প্রোগ্রামগী মতুংদা 'ওপন দিফিকেসন ফ্রী' গী প্রোগ্রামদা মীৎয়েং অমুক চঙলকপা

ডা. এন জি মঙ্গি

**মালেমগী** খ্বাইদগী চাউবা শান্তি পামজবা দেমোক্রেসি চৎপা লৈবাক অসি ইন্দিয়ানি হায়জরবসু মসিগী অকোয়বদা য়ূমলোন্নদুনা লৈরিবা লৈবাক খরগা পোলিটিক্সকী মরীশিংদা ইফৎ-ফৎনদবদগী ইন্দিয়াগী দিফেন্স সিষ্টেম অসি তঙাইফদনা মপাঙ্গল কলহন্দবা য়ারক্তবনা লুপা ক্রোর কয়া কয়া চঙনা রোকেট-মিসাইল প্রোগ্রামশিং চংথদুনা লাকই।

অমরোমদা, ইন্দিয়া শিনবা থুংনা স্লম এরিয়ানচিংবদা লৈরিবা লাইরিক-লাইশুগী মঙাল নিংথিনা ফংহৌদ্রবা, শেল থুমগী ফীভম শোকচিল্লবা, দেমোক্রেসি করিনো খঙজদবা অমসুং মসিগী হকশিং তানবা ঙমজদবা, কাষ্টিজম পোলিটিক্সকী মরুমদা লোত্তুনা থম্বীরিবা মখল-মখাগী এক্সপ্লোইট তৌবিখ্রবা মীওই ফুরুপশিং অসিগী য়ূমলৈ-কৈরৈ, য়ূম্বান-কৈবান, হৌনবী লিচৎ-শাজৎ অমসুং ফিজেৎ-চাকচানচিংবগী থাক অসি য়াম্না শাথিনা লৈখা তারকই। মসিগী ওন্ন-তৈনবদা লাইরিক লাইশু য়াওদবা, শেঞ্জাউ পায়বা, মীগী মতেং পাঙনীংদবা, মীনুংশি খঙদবা, শেঞ্জা থুমজাদা হালেংদবা, টেবল-চৌক্রিদা পংচাউদা চাউজবা, ইগো য়াম্না ৱাংজবা কয়া অমসু খুরক্কী ঈনা লাই শাদুনা লৈরিবনি। মসিগী মরক্তা লাইরিক-লাইশু হৈবা, মশাগী ওইজবা থাদোক্লবা, লৈবাক্কী থৌগল তৌগনবা, অফবা মীওই কাঙলূপসু য়াওদবা নত্তে। অসুম্না ইন্দিয়া পূম্বগী মনুংদা চাওখৎপগী থাক্তা মীয়ামগী মরক্তা অমসুং ফুরুপ মশেলগী মরক্তা কা হেন্না অৱাং-অনেম লৈরকপদগী মখল মখাগী ক্রাইমশিং অমদি পোলিটিকেল কনফ্লিক্টশিং থোরকই। অফবা সিষ্টেম অমা য়াওদনা ফুরা-দলালশিং পংশাদা শাগৎপনা অফবা নিংথিবা য়ূমলৈ-কৈরৈ ওইরোই। ইন্দিয়াগী ইকায়খুম্নজরিবা প্রাইম মিনিষ্টর শ্রী নরেন্দ্র মোদি মশামক্লা জর্মন লৈবাক্কী রেলৱে ষ্টেসন অমখক্কী টৌইলেট সিষ্টেম য়েংলুরিবা, মশানা শুমজিৎ পায়দুনা ৱাইরম শিৎলিবা, 'ওপন দিফিকেসন ফ্রী' নচিংবগী মখল-মখাগী থৌওং কয়া লৌখৎলিবসিনা তাকপদি ইন্দিয়াগী বেসিক ওইবা য়ূমলৈ-কৈরৈ, য়ূম্বান-কৈবান অমসুং লীচৎ-শাজৎনচিংবগী থাক অসি য়াম্না নেম্লি হায়না ময়েক শেংনা তাক্লিবনি।

মণিপুরদসু লৌবুক-লম্ফাং খাক্তবমখৈ ফুরা-দলানশিংনা ক্রিক-ক্রিক ইন্নবমখৈ শাগৎনরক্লি। লম্বী শমজিন্নবনি হায়দুনা নম্বুল তুরেলগী মথক্তা শারিবা থোং নম্বোনবী মচাশিংদা সরক ক্রোস তৌরগা চৎনবদগী অমদি লৈরক খুদিং খরদগী থোরকপা গাড়ীশিং অমসুং মীশিংনা মেদিয়ন ফাওদুনা লাম্থোকহনবদগী সরক্কী নাকল অনীমক্তা চুম্না চৎলিবা গাড়ীশিংদা হঙ্গৎ-হন্দা অয়েৎপা পী। ত্রাফিক য়াম্না চিংগনবা লম্বী অনী অমসুং থোং মরিগী উনফম ওইরিবা ৱাহেংবম লৈকায়গী জঙ্কসনগী মীখুচিন অদুদা করম্বা ত্রাফিক পুলিসনা নিংথিনা কন্ত্রোল তৌবা ঙমগনি? অচৌ-অচৌবা মুম্বাইগুম্বা সহরশিংদা চেনগদবা শঙ্গৈইমুক চাউবা বসশিং অদু ইম্ফালগী পীকখ্রবা লম্বী-থোং অসিগা চানৈ-চানদে খঙদনা করম্না লৈশিল্লুরিবনো অমসুং নম্ফুন্দা চেলহল্লিবনো হংজনীংই। সরকশিং অসিসু লম্বী ওইবতা নত্তনা পার্কিং, পোৎফম, অচৌবা লিটর-বিন, য়াওশঙগী থাবল চোঙফম, ঈশৈ-নোংমাই অমদি হাউসি শান্নফম্নচিংবা ওইশিল্লি। কার-নাম্থ শান্নফম মানবা ফ্লাই ওভর মতেক অমা শাজিন্দুনা লম্বীগী শক্তম থিহনবতা নত্তনা লম্বীসু চিলহল্লি। সরক্কী নাক য়েৎতা লৈরিবা দ্রেনশিংগী মখুমশিং অসিসু মখুম ওইবতা নত্তনা ফুট-পাথ অমসুং পোৎচৈ পৈফমসু ওইবনা না-পু তাদ্রে। জিরি লম্বী শেম্বীয়ু হায়দুনা লাউ-লাউদুনা লাকচখিবা মীওই কয়াসু মাগী মাগী পুন্সি লোইবনা হানখিদুনা মহৈ-মহৈ চৎনখ্রে। তৌইগুম্বসুং জিরি লম্বীগী অয়ানবী-থোংশিংদি হৌজিক ফাওবা তৎপা লেপত্রি। স্পোর্টসকী পৱর হাওসনি হায়না কয়ারক হন্না থাগৎলবসু ইন্টরনেসনল ষ্টেন্দার্দ ওইবা ষ্টেদিয়ম অমফাওবা লৈতবা চহী কয়া হৌখ্রবগে অমুক্তা পাবীয়ু।

মণিপুরগী মহৈরোয়শিংনা স্কুলদা মোরেল সাইন্স তম্না-তম্না ফজবা ৱাঙাঙ-শঙাঙ, থকসি-খাসি, হৌন-লোনচৎ, থৌগল্লোন-ব্যাবহারনচিংবা অয়াম্বনা ইখঙ খঙদবগুম তৌই। পরিক্ষাদা নম্বর ফংনবগীদমক তেনৱা মরোল তম্বীবগুম তম্বীবনরা নৎত্রগা হন্না হন্না অভ্যাসনচিংবা তৌহন্দবগীরা য়াম্না খন্ননীংঙাই ওই। অহল ওইরপ তৌবা মীওইশিংগী মরক্তা খরদি মমান্নবা, মরুপ-মপীজা অমসুং খঙন-চান্নবশিংদা ফজবা ৱাঙাঙ-শঙাঙ, লমচৎ-ব্যবহারনচিংবা শীজিন্নবা হৈতবা অমসুং খঙজদবসু ময়াওরিবনি। অকাম্বা লীচৎ-শাজৎ হায়রগনা মীওই খরদি মচি-মরুমদি লায়রদনা অহাংবা মফম অমদা হেক্তা নুপা-নুপী খায়দবীদা অমাং-অশোই অমসুং মপান-ইপান্নচিংবা তৌশিল্লি। ইন্টরনেসনল পোলো টুর্নামেন্ট তৌরিঙৈ মনুংদদি কাংজৈবুং অসি ওন্থোক্লা তরু-তহেল্লি। পোলো হেক লোইবগা মথংগী নুমিত্তগীদি প্লাষ্টিক বোটল, চেরং-খাউনচিংবনা পুমচাই হেক্তা চাইথোকই। তুরেলদা অমোৎ-অকায় থাদগুমসি, দুকানশিংগী মপাদা লিটর-বিন অমমম থম্নসি, য়াওশঙ কুম্মৈ নুমিৎ নীনিদং পাঙথোকসি, পরিক্ষা মনুংদা লাউদ স্পিকর হৌনা শীজিন্নগুমসি, মীহাৎ-মীপুন থোকহনগুমসি হায়বগা লোয়ননা হেন্না য়াইফবা, ঈং-তপ্পা মরা চেৎনা চাওখৎপা মণিপুর ওইরসনু হায়দুনা লৈঙাক্লা য়াইফ পাউজেল পীরবফাওবদা মসিগী তায়োন্নবদা অহোৎনদুম মথি ফেংলকপসু য়াওরকই। য়াম্না থম্মোয় শোক্লিংঙাই ওইবা অমনা, ইরৈবাক নীংশিংবগী মীত্তমশিংবু মফম চাদনা খিনবিবা, পোষ্টরনচিংবা নপশিনবীবা, অমোৎ-অকায় থমজিনবীদুনা তৌরিবসি অথৌবশিং অমসুং ইরৈবাকপু শাথিনা খোঙ্গাওনবগী লীচৎ-শাজৎ অমনি। মসিনি হৌজিক মণিপুরগী য়ূমলৈ-কৈরৈ, য়ূম্বান-কৈবান অমদি লীচৎ-শাজৎকী অমকপা শক্লোন খরদং পঞ্জরবদা।

মণিপুরগী সোসিও-ইকনমিক অমসুং পোলিটিকেলগী লমদা নেসনল অমসুং ইন্টরনেসনলগী থাক্তা য়ৌনবা হোৎনবদা হেলথ অমসুং এদ্যুকেসনগী লমদা য়াম্না থাক ৱাংহন্দুনা সোসিয়েল, ইকনমিক, পোলিটিকেল অমদি সাইন্স এন্দ টেক্নোলোজিগা মরী লৈনবা অতৈ সাইন্টিষ্ট মশীং য়াম্না পুথোকপগা লোয়ননা তোঙান তোঙানবা রিছার্স সেন্তরশিং লীংখৎপা তঙাইফদে। লৈবাক অমনা সাইন্স অমসুং টেক্নোলোজিদা খুমাঙ চাউশিনবা ঙমদ্রিবমখৈ গ্লোবেল ৱর্ল্ড অসিদা থৌনা লৈনা লিংজেল ফুদোকপা ঙম্লোই। খুদম ওইনা য়ু এস এনা চিনা অমসুং নোর্থ কোরিয়াবু হঙ্গোইরিবসিনি। ইন্দিয়াগী ষ্টেটশিং অসি অয়াম্বনা য়ূমলৈ-কৈরৈ, য়ূম্বান-কৈবান, লীচৎ-শাজৎনচিংবগী থাক অসি য়াম্না চাওখৎলবা লৈবাকশিংগা য়েংনবদা থাক য়াম্না নেম্বনিনা ইকায় ফিরুক খুমদবমখৈ লৈবাক্কীনি খন্দুনা 'ওপন দিফিকেসন ফ্রী' গুম্বা অনেম্বা থাক্কী প্রোগ্রামশিংদা মায় ওনশিনবা হৌরক্লিবসিনি। অমরোমদা, মণিপুরদি মতম অমদা নীংখা তম্বা লৈবাক অমা ওইজরম্লবসু হৌজিক্তি ইন্দিয়াগী পোলিটিকেল সর্কল অমগী মনুংদা উংদুনা লৈজবা য়াম্না শোত্থরবা ষ্টেট অমা ওইবনিনা মসিগী লেন্দ এন্দ পিপলগী ইন্টেগ্রিটি অসি থম্মোয় শেংনা অমদি ময়েক শেংনা ঙাকপী-শেনবীবগা লোয়ননা 'এক্ট মণিপুর পোলিসি' গুম্বা অখন্নবা পান্দমশিং য়াওবা পোলিসি-প্রোগ্রাম অমগী মখাদা মীৎয়েং চঙহন্নীংই। লৈবাক অসিনা য়েৎতুম মনা হুৎপা হৈত্রিঙৈদা ইন্দিয়াগী ইন্টরনেসনলগী ওইবা পোলিটিকেল ষ্ট্রেটেজি অমা ওইরিবা 'এক্ট ইষ্ট পোলিসি' দা মঙাক্ল রক্লোইদ্রা। ম্যান্মার অমসুং থাইলেন্দনা মণিপুরবু চাওখৎনবগী অ, আ... তাকপীনবগী হক লৈগদ্রা। মণিপুরবু চাওখৎনবগী লম্বীদা পুকচেল শেংনা লমজিংবিনবা ওজাদি ইন্দিয়ামুক ফবা লৈখিরোই। তৌবতবু ইমা লৈবাক মণিপুরগী লৈঙাকলোইশিং অসি লমচৎ-শাজৎ ফজবা, চীং-লেম্বা, থৌনা ফবা, মীৎকুপ-নাহুম শিঙ্গনবা, য়েক্লবনা লাকচহন্দবা, মরৈবাক্কীদমক কত্থোকপগী ৱাখল চেনবা, ষ্টেট-ষ্টেটশিং নেসনল অমসুং ইন্টরনেসনলগী পোলিটিক্সতা য়াম্না খঙ হৈরবা অশেংবা পোলিটিকেল পার্টিশিং ওইবিদুনা অফবা লৈঙাক অমা লৈহনবা ঙম্লগদি য়াম্না থুনা খুয়া তুশিৎনা চাওখৎপা ওইগনি। লৈবাক অমা চাওখৎহনগে নৎত্রগা চাওখৎহল্লোইগে হায়বসি পোলিটিক্স অদুগী কাঙলোনগী মখা পোল্লি। লৈঙাক হৈবদগী চাইনাগী প্রসিদেন্ট জি জিনপিংবু পুন্সি চূপ্পা ফম অসি পায়হন্নবা থৌরাং লৌখৎলিবসিনি।

মরমশিং অসিনা মনীং-মখা তম্লম্বা মণিপুরগী লেন্দ এন্দ হার পিপলগী ইন্টেগ্রীটি ঙাকপীনবা হোৎনবগা লোয়ননা 'এক্ট মণিপুর পোলিসি' নৎত্রগা 'এক্ট নোর্থ ইষ্ট ষ্টেটস পোলিসি' গুম্বা অখন্নবা থৌরাং অমগা লোয়ননা অশেংবা দেমোক্রেটিক প্রিন্সিপল অমগী মখাদা ময়েক শেংনা গ্রাসরুট লেভেলদগী হোৎনবীদুনা মালেমগী থাক্তা শামান-লেংমান্নবা অমা ওইহনবীনবা ইকায়খুম্নজরিবা ইন্দিয়াগী প্রাইম মিনিষ্টর শ্রী নরেন্দ্র মোদিগী মফমদা হন্না হন্না খুরুমজরি।